# সেদ্যুল্ড ত্রাইব, মৈতৈ অমদি হিন্দুইজম

'ত্রাইবেল' হায়বা ৱাহৈ (ৱাহায়) অসিগী চপ চাবা ৱাহন অসি ঐখোয়না ঙসি য়াম্না তোয়না শীজিন্নরক্লিবা 'য়েলহৌমী' হায়বসি ওইগদরা? হন্দক মরকসি ইথন্তা তোয়না হংজে। মরমদি ঐখোয় (মীতৈ/মৈতৈ) হায়বা মীওই-ফুরুপ অসি 'ত্রাইব' অমরা নৎত্রগা নত্তবরা হায়বসি ঐখোয় পূন্না খঙদোকমিন্নদবা য়াদ্রবা ৱাফম অমা ওইরক্লে। ভারত সরকার'না শকখঙলবা 'সেদ্যুল্ড ত্রাইব'শিংগী লিষ্ট'তা মীতৈ/মৈতৈশিংবুসু য়াওহনগদবনি হায়না দিমান্দ তৌবা মীওই কাঙলূপ (সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি ওফ মণিপুর) অমা থোক্লক্তুনা ঈহৌ অমা শাগৎনবা কন্না হোৎনরি। ত্রাইবেল নত্তবা ফুরুপ অমবু লিষ্ট অসিদা হাপচিল্লুবদি য়াদবনিনা মৈতৈশিংসু 'ত্রাইব' অমা ওইনা ভারত সরকার'না হান্না শকখঙবা তাই।

মোদর্ন সোসাইটি অমদা লৈমিন্নরিবা মীওই ফুরুপ অমবু 'ত্রাইবেল' নি হায়না শক্তাকপসি লান্না লৌনবা, কাঙলূপ অদুবু হন্থনা য়েংবগী মওংদা লৌনবগী মওং অমা উনরকপদগী ইংলিস লোল'দসু অতোপ্পা ৱাহৈ অমনা মহুৎ শিন্দুনা শীজিন্ননবা হোৎনবা থেংনৈ। ঐখোয়গী লোল'দসু 'ত্রাইবেল' গী ৱাহন ওইনা শীজিন্নরম্বা 'হাও' হায়বা ৱাহৈসি নত্তবা অমনা মহুৎ শিন্নবা হোৎনরক্লিবা অসিনি। হাও, মৈতৈ, পাঙল, ময়াঙ হায়বসিনা পীক্লবা (মীশিং য়ামখিদ্রবা) লম অসিদা অচৌবা কাঙলূপ অমমম কোনশিন্দুনা খঙনরক্লি। মৈতৈসু হাও'নী হায়বসি ঙসিগী মীরোল অসিনা য়ামিন্নবা চঙই। লমসিগী য়েলহৌমী (ইন্দিজিনস পিপল) সু অনীসিতনি। পাঙলসু হাও'নি, লাল্লবরা?

দিক্সন্যারিগী ৱাহন য়েংলুরবদি 'ত্রাইব' হায়বসি 'চৎনবী, মনাৎ, থাজবা মান্নবা, ঙল্লিঙৈ মতমদগী লুচিংবা অমগী লীচিং মখাদা পূন্না লৈমিন্নরক্লবা/ঙসিসু লৈরিবা ফুরুপশিং অদুবু খঙনৈ। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মতুংইন্না য়েংলুরগনা 'সেদ্যুল্ড ত্রাইব' হায়না শকখঙলবা ফুরুপশিং অদুদি - ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা, ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈরিবা ষ্টেট নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমগী গভর্ণরগা তানরগা চেবাউ অমা ফোঙদুনা লমদুদা লৈরিবা য়েলহৌমী ফুরুপশিংগী মমিং শক্তাক্লিবা অদুতবুনি। ৱারম অসি কন্সটিট্যুসনগী ৩৪২শুবা আর্টিকল'দা ময়েক শেংনা ইরি। আর্টিকল অসিগী অনীশুবা ৱারোলদা পল্লি - 'সেদ্যুল্ড ত্রাইবশিংগী লিষ্টতা য়াওরিবা ত্রাইবশিংগী মমিংশিং অসি পার্লিয়ামেন্টনা লো অমা শেল্লগা লৌথোকপা নৎত্রগা অনৌবা ত্রাইব অমগী মিং হাপচিনবসু য়াই'। হায়রিবা আর্টিকল অসি 'জম্মু অমসুং কাশ্মীর'দদি চৎনরোই। হায়বদি, জম্মু অমসুং কাশ্মীর'দদি সেদ্যুল্ড ত্রাইব অমত্তা লৈতে হায়বনি। দিক্সন্যারিগী ৱাহন্থোক য়েংলগদি 'ত্রাইব' কৌবা য়াবা পোলিটিকেল ওইবা মীৎয়েংদা য়েংলগনা ত্রাইবেল কৌবা য়াদবা 'ত্রাইব' কয়া অমা কাশ্মীর অমদি ইন্দিয়াগী মফম অতৈদা লৈরমগনি। মণিপুরগী মীতৈ/মৈতৈ হায়রিবা মীওই ফুরুপ অসিসু অমনি। হৌজিক চৎনরিবা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন অসি ইখিবা/শেমখিবা মতমদুদা ইন্দিয়াগী জিওগ্রাফিকল বাউন্দরি অসি ঙসি ওইরিবা অসিগুম ময়েক শেংনা লৈরমদে। হোংলক্লিবা শক্তম অদুগা চাশিন্ননা লৈঙাক-থৌশিল শেম্নবা, মতম মতমগী মতুংইন্না কন্সটিট্যুসন শেমদোকই। ইহান হানবা ওইনা সরকারগী মিনিষ্ট্রি ওফ লো'না থোকখিবা সেদ্যুল্ড ত্রাইব মশীং তাকপা কন্সটিট্যুসন ওর্দর অদু ১৯৫০, সেপ্টেম্বর ৬তনি। মতুং তারকপদা মশীং খঙদ্রবা সরকারগী ওর্দর থোক্তুনা লিষ্ট অসি শেমদোক শেমজিন, হাপতোক হাপচিন তৌরক্লি। মণিপুর য়াওনা, য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী সেদ্যুল্ড ত্রাইবশিংগী লিষ্ট ১৯৫১, সেপ্টেম্বর ২০দা কন্সটিট্যুসন ওর্দর থোকখি। অসুম্না, ওর্দর কয়া মথং মথং থোক্লকপ'না নাগালেন্দগী কন্সটিট্যুসন সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওর্দর, ১৯৭০, জুলাই তারিখ ২৩দা থোকখি। মতুংদসু অসিগুম্বা ওর্দর কয়া থোকখ্রে। ঙসিসু, হয়েংসু পার্লিয়ামেন্টকী অয়াবা লৌরগা মিনিষ্ট্রি ওফ লো'না অতোপ্পা ওর্দর অমা থোক্তুনা মৈতৈশিংবুসু লিষ্ট অদুদা হাপচিনবা য়াই। তৌবতবু মণিপুরগী গভর্ণমেন্টগী অয়াবা অমা য়াওদনদি পার্লিয়ামেন্ট'না ৱাফম অসি খন্নবা ঙমদে। গভর্ণরনসু ষ্টেট সরকার অসিগী ৱা তাদনা করিমত্তা তৌবা ঙমদে। অদুবু ১৯৫০, ইহান হানবা সেদ্যুল্ড ত্রাইবশিংগী লিষ্ট অমা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট'না খূৎয়েক পীদুনা থোকখিবা মতমদুদদি অসুক য়াম্না লুথনা খন্নখিবরা? হংনীংঙাইনি। মচিন চৎপা ওফিসর অমদা হংলগা হেক্তা থোকখিবা ওইরমগনি।

হৌজিক অতোপ্পা ৱাহং অমসু হংনীংঙাই ওইরক্লি - মৈতৈ (মীতৈ) শিংনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি' হায়বা লূপ অমা শেল্লক্লিবা করিগীনো? কনাগুম্বা কাঙলূপ অমবু 'ত্রাইব' অমনি/নত্তে হায়বসিবু ঈহৌ (অন্দোলন) অমগা শাগৎতুনা 'দিমান্দ' লৌরগা লেপকদরা?' হৌজিক লুরিবদি মৈতৈ হায়বসি ত্রাইবেল অমরা/নত্তবরা হায়বা ৱাহং'সিনি। মৈতৈশিং ত্রাইবেলনি হায়বসি হিন্দু-লাইনীং চৎপা মৈতৈশিং অমদি 'ত্রাইবেলনি হায়না সরকারনা শকখঙলবা ফুরুপকী মীওইশিং' না কন্না য়ানীংলোই। মসিগী মরু ওইবা মরমদি মখোয়গী 'মাইন্দ সেট' অদুনি। মৈতৈশিংগী 'মাইন্দ সেট'না- 'সেদ্যুল্ড ত্রাইব' হায়বসি পুন্সি খূৎহিং, ফিজেৎ-চাকচা অমদি মহৈ-মশীনগী লম্দা শোৎথরবা কাঙলূপনি, ঐখোয়দি অৱাংবা থাক্কী, চাওখৎলবা কাঙলূপনি, ত্রাইবেল অমগী থাক্তা কুমথরকপা হায়বসি ইকায়নীংঙাই মশকনি। অমরোমদা, হান্নদগী 'সেদ্যুল্ড ত্রাইব'নি হায়না শকখঙখ্রবা ফুরুপকী মীওইশিংনা খল্লিবনা - মৈতৈশিংসু 'সেদ্যুল্ড ত্রাইব' কী মনুং চলহল্লবদি, 'সেদ্যুল্ড ত্রাইব' কীদমক থল্লিবা অখন্নবা রিজর্ভেসনগী খুদোংচাবশিং মুনখ্রগনি - হায়বসিনি। মাইন্দ সেট অনীসি মান্নদে। অদুবু, মৈতৈ হায়বা ফুরুপ'সি ত্রাইব'নী নৎত্রগা নত্তে হায়বসি পোলিটিকেল ওইবা ইস্যু অমা ওইহনফম থোক্তে, চেনবা য়াদ্রবা হিষ্ট্রিগী লাইরিকশিংনা ময়েক শেংনা তাক্লি। মৈতৈশিংগী মরমদা ইবা টি সী হদসন' গী লাইরিক 'দ মৈতৈজ' হায়বা, ইন্টরনেসনল রিফরেন্স বুক ওইনা লৌনরবা লাইরিক'তুদা ময়েক শেংনা ইরি... 'মণিপুরগী তম্পাক লম অসি য়েলহৌঙৈদগী ত্রাইব মখল কয়ানা খুন্দাদুনা লৈমিন্নরকখিবা, মখোয়শিংদুগী মরক্তা মরু ওইবদি খুমন, লুৱাং, মোইরাং অমদি মৈতৈনী, মখোয় খুদিংমক তোঙান তোঙানবা মায়কৈদগী লাকখিবা ঙাক্তনি...।' লাইরিক অসি নত্তনা অতোপ্পা লমসিগী ওইজবা পুয়া'নচিংবা লাইরিকশিং নৈনরুরবসু মণিপুরগী চীং-তম অনীমক্তা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিং অসিগী অমত্তা ওইবা হৌরকফমগী ৱারী থেংনগনি। মৈতৈশিংনা তরানিপানশুবা চহীচা'দা হিন্দু লাইনীং লৌখিঙৈদগী অতোপ্পা ত্রাইবশিং অমদি মৈতৈশিংগী মরক্তা অচৌবা লৈক্রক অমা চৎপা হৌরকখি, হিন্দু-মৈতৈশিংনা মশাবু অৱাংবা থাক্কী মী অমগুম খনজবগী ৱাখল অমা তপ্না-তপ্না কোক'তা মরূ হুল্লকখি। মরূদুদগী হৌখিবা পান্বীদুনা মপান শাৎ, মহৈ য়ান, মশানা মশাবু চাওখৎপা জাতি অমগী মীওইনি খঞ্জবা 'রোং নোসন' (লান্না থাজবা) অমনা লাকহৎখিদুনা 'ঐখোয়সু ত্রাইব অমনি' হায়বা ৱাখল অসি খঞ্জবা ঙমদ্রে, খল্লুবদা ইকায়বা পোক্লে। 'হদসন'নসু ময়েক শেংনা ইরি... 'হিন্দু লাইনীং চৎখ্রবা মতুংদা মৈতৈশিংনা আর্য়ান (হিন্দু) শিংগী চাদা নাওদানি খঞ্জরবসু তশেংবদি মখোয় চীংদা তাবা ফুরুপশিংগী মচা মশুশিংনি...'। ইন্দিয়াগী হিন্দুশিংগা মৈতৈ-হিন্দুশিংগগী মরক্তা লাইনীং পরৈ, পোকপা-শিবা-লুহোং-কৈহোং থৌরমশিং অঙকপা ফংনা খেন্নৈ। য়ানশিন্নবা নাট ওইখিবগী ৱানি, হান্নগী পুন্সিরোল মশক অদুদি কায়দরি। হিন্দু লাইনীং চৎলবদি সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইবা য়াদে হায়বা লো অমদি লৈবাকসিদা ঙসি ফাওবা শেমদরি, ইন্দিয়াগী মফম অতৈদসু হিন্দু সেদ্যুল্ড ত্রাইব কয়া লৈ।

মৈতৈশিংনা সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্ট'তা য়াওহনগদবনি হায়বা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎলক্লিবগী মরু ওইবা মরমদি, রিজর্ভেসন কোটাগী চাকথুং লৌনবা নতে, চীংমী-তম্মী অনীগী লাপথোক্নরক্লিবা মরীসি নকশিনহন্নবনি, অমত্তা ওইবগী লিচিং হেন্না চেৎশিনহন্নবনি। কুনমাথোইশুবা চহী চাগী মীরোলনি ঐখোয়, 'সেদ্যুর্ল্ড ত্রাইব' হায়বসি 'চাওখত্তবা মী' হায়বা নত্তে হায়বা খঙমিন্নসি ঐখোয়। শেল-থুম, মহৈ-মশীন অমদি পুন্সি মহিংগী থাক্তা 'সেদ্যুল্ড ত্রাইব' কী মীওইশিংনা 'জেনরেল' গী মীওইদগী হেনবা কয়া লৈ, নীংশিংবীয়ু।

*—ইন্দ্রকুমার*

# হৌদোংগা কৈগা খৎনবা

হৌদোংসি কৈগী মন্দোলমচানি খঙবদগী পীকচরবসু শা অতৈনা মাবু ইকায়খুম্নে, লুনা চান্না তৌবী, মদুদা হৌদোংনসু নাপল কাজে, শা অতৈবু উশিৎ থৌওইবা লৈতে। নোংমা ৱাকচিংগী উন তাবা ঈংলবা অহিংদা তূম্বা য়াদদুনা শা ময়াম্না করম তৌরগা ঙাইহাক তূম্নবা খন্নবদা মৈ তিক্লবদি ঈংবা ফদুনা তূম্বা য়াগনি লেপ্নরম্মী। মৈ থারগা তিক্লবা উশা-ৱাশা অকংবা থেক্লবা য়োং চোংথোরক্লে, উশা অচৌবা থেক্লবা শামুসু য়ারে। অদুবু শীং ময়ামদু থাননবা মৈদি লৈতবনিনা শাশিং অদু তৌফম খঙদদুনা চপ চপ লেপ্তুনা লৈনরে। থৌনা ফবা কনানা তাইবঙ মীগী য়ূমদগী মৈ লৌরুদুনা মৈজাও হৌগদগে খন্নরক্লে। মপাঙ্গল মথৌনা লৈরবা কৈ, নোংশা, শওম্না মৈ লৌবা ঙমদববদগী মরূ লুক্তুনা লৈনরে। নিংথম্বনা থক থক নিক্লবা শা ময়ামদো কনা অমত্তনা মৈ লৌরুগে হায়দুনা থৌনা ফনা চোংথোকপা ঙমদবদু উবদা কৈনা হৌদোং য়েংলগা "ইন্দোলমচা নহাক্তি তাইবঙ মীগী য়ূমদা চঙথোক চঙশিন তৌবা য়াই। উচিনা তাইবঙ মীগী য়ূমদা চঙলগা মখোয়গী পোৎ চৈ ময়াম চিকথৎতুনা মাঙহল্লি। নহাক্লা তাইবঙ মীগী ময়ূমদা চঙলগা উচি ফাদুনা চাথোকপা অদুদা নঙবু মখোয়না লুনা চান্না তৌই, নঙনা চানীংবদা চাই, তৌনীংবতা তৌই। ঐখোয়দি মখোয়গী মনাক্তা হেক চঙলুবগা মীয়াম চঙদুনা ঐখোয়বু হাৎনবা তান্নরকই অদুনা ইন্দোলমচানা তাইবঙ মীগী য়ূমদা চঙলগা মৈ খরা লৌবিরু। মৈজাও থাদুনা তিক্লবদি ঈংবা ফদুনা ঐখোয় পূম্নমক নিংঙাইদনা তূম্বা য়াগনি" হায়রক্লে। কৈগী ৱাদু তাবদা শা ময়ামদু চেনশিন্নরক্তুনা ইন্দোলমচা ইন্দোলমচা হায়না হৌদোংবু কোনশিল্লে। শা ময়াম্না হায়জবদুদা হৌদোংসু হরাও হরাওনা য়াবিরে।

হৌদোংনা মী তাবা খুঙ্গং তান্না লাক্তুনা তাইবঙ মীগী ইমুংদা মৈ লৌবা লোন্না চঙলক্লে। য়ূম্বু অদুনা ফুঙ্গাদা শঙ্গোম ঙৌদুনা লৈরম্বদু উবদা হৌদোং অদু হরাওরে, মৈ লৌবা লাকপনি কাউখ্রে। য়ূম্বুনা হেক তূমথখিবগা শঙ্গোম অসি মবুক থনবমখৈ থক্কে খল্লদুনা হৌদোংদু নাশোন পীক্লা চঙলক্লগা কাচিন্দা তূমিন্না ফমদুনা লৈরে। মতম থেংজিল্লক্লবদা মৈ য়াইদুনা শঙ্গোম ঙৌরিবা য়ূম্বুদু তূম্নিংদুনা উইরম্বদগী নাখোক্তুনা তূমথোকখ্রে। য়ূম্বু তূমখ্রে খঙলদুনা কাচিন্দা লুমলিবা হৌদোংদু থোরক্তুনা অঙৌবা শঙ্গোম অদু মবুক থনবমখৈ থক্লগা মাসু মৈনাক্তা কুন্দুনা নিংঙাইদনা তূমদুনা লৈথোক্লে, মৈ পুগনি কাউখ্রে। হৌদোংনা তূম্মুবদগী মিকপ থোরকপদা নোং ঙাল্লল্লে। নোংঙাল্লবদা হৌদোংদু নুংশাথীবগা লোয়ননা মৈ পুরগা উমং তান্না লাকপদা শা ময়ামদি শাউদুনা মচিঙ্গাক থিবা চৎনখিদুনা লৈরমদ্রে। অহিংদা মৈ লৌবা চৎখিবা হৌদোংনা শঙ্গোম থকপগী মকোয়দা শঙ্গোম মপাল পকপদু উবদা কৈ অদু শাউবনা মকোয় ফ্রং ফ্রং চোংদুনা ঙংল-ঙংলদুনা হৌদোংগী মনাক তান্না লাকই। শা অতৈ ওইরম্লবদি খুদক্তা হাৎতোক্কদববু শাগৈগী মন্দোলমচা ওইবনা শাউনীংবা কয়াবু ফাজিল্লগা "ইন্দোলমচা" হায়না খংলাউ লাউরকপদা হৌদোং অদু খংদুনা চোংখৎলি। "ইবুংঙো পাঙ্গনবা তপথখো শাউখিনু ঐগী ৱাসি তাখো। ঐনা থেংলকপসি য়ূম্বু মতৈ মনাও খৎনদুনা লৈরম্বনা চঙবা কিদুনা মখোয়না তূম্বা ঙাইবদা থেংবনি"। হৌদোংগী ৱাদু তাবদা কৈনা ইশি শিনা নোক্তুনা ইন্দোলমচাগী মকোয়দা শঙ্গোম পক্লিবদু করিগীনো হায়না করেম্নবা হৌরক্লে। ঙসিদগী নহাক ঐখোয় ময়ামগী ইরক্তা তিনবীরগনু চৎপিখ্রো নশক অদু য়েংজনীংদ্রে চৈরকই। কৈগী অয়াকপা ৱাদু তাবদা হৌদোংদু করিমত্তা নাচুংলমদে। নখোয়গা তিন্নদ্রবসু ঐদি করিসু ৱাবিরোই। তাইবঙ মীগী য়ূমদা লৈদুনা চানীংবা চাদুনা নুংঙাইনা লৈরুগে। ঐনা ঙসি নখোয় পূম্নমকপু থাদোক্তুনা চৎলিবা অসিদগী ঐগী ইশক্তা নত্তনা ইথি ফাওবা নখোয়বু উহল্লোই। অসি হায়রম্লগা হৌদোং অদু কৈগী মমাঙদা মথি ফাইদোক্লগা মথি অদু মখোঙনা লৈবাক খোৎচিন্দুনা খুমজিল্লে। তস, খঙব্রদো হায়রম্লগা হৌদোংদু চোংল চোংলদুনা চৎখি। নুমিৎ অদুদগী হৌনা হৌদোংনা মথি ফাইবা, ময়ুং হানবা হেক লোইবগা শা অতৈনা উখিনি মতাগুম মখোঙনা নাপি নৎত্রগা লৈবাক খোৎচিন্দুনা মথি, ময়ুং ফুমজিল্লিবদু থৌদোক অসিদগীনি হায়না থাজনরি।

**-সরাংথেম বরমনি, সাহিত্য ভুষন**

(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক 'চীং-তমগী ফুঙ্গা ৱারী' দগী লৌখৎচবা)

# য়াঙ্গংলবী তুরেল অদুম চেন্থরি

কৈ নুমিৎনো ঙসিসিবু নুমিৎ য়াক্লা থোক্তুনা লৈরম্বদু মশাদা ফাওরকই। ইথা হেক থাজদনা। ইখঙ হেক খঙহৌদনা। ঙরাংসু নুমিৎ অদুম মথোক্লিনি। হয়েংসু অদুম মথোক্কনি। মানা খল্লি। নুমিৎ থাসি নুমিৎ থা ওইদ্রেদা। হৌজিকসি মওং অমনি। ইশাসি ইতাও তাওই। ঐগী লৈফম চাফম ইশাগী মিং। অমত্তা ইপেন হেক পেঞ্জদে। অঙাং ওইরিঙৈগী ঐদুদি শিখিবা কুইরে। মমি-শামি খরা মরক মরক্তা নীংশিংবা নত্তনা। ঙসিগী ঐগা পুনশিন্নদ্রে। শম্নদ্রে। ঐ ইশাসি ইশাদগী মাঙখিবগুম্বা অমা কন্না তৌরি। খোঙ থাংদুনা চৎলি। কদোমদনো খঙদে। লাম্মৈ চাকপগী তাঙ্গোই ময়াম অমা কোইপাই পাইরিসে এ: করি লমদা চাক্লিবা লাম্মৈ ওইরিগবা?

নোংমা। থৌনাইদবা নুংথিল অমা। তুরেল ঈচেলদা কোঙ্গোল মরক্তা কাওশিং চৈতেক-চৈরাং তাওথবা উই। দ্রামা য়েংবদৌনা মদু মানা য়েংই। ময়ামদুগী মরক্তা কোঙ্গোল ওইনা মা মশাসু য়াওশিনবদৌনা ফাওই। শোরি-পারি ঙাক্তা ওইনা উরব্রা কৈনোমা তৌরে। ঐসিবু ঙাওদৌরব্রা খঙদ্রেদা। মথন্তা খঞ্জে। নুংশিৎতা তাঙ্গোই পাইবা - ঐগা করি মরী লৈনৈ? তুরেল ঈচেলদা কাওশিং তাওথবা হৌনব্রা?

হকচাংদা নত্তনা পূক্লিংগী লৈকাং কন্থনিংই। মনুংসু মপালসু তুনা লৈকাং কন্থনীংই। ঐগী শেম শাজিনবীদ্রবা লৈকাং চারবা য়ূ। নুংশা শ্বর মপি অমত্তং হোন্দোক্তুনা। হকাম চনবা মীহুল তান্থোকখিনবা। হিংবা তাই। মালেমসিদা ঐগী য়ূমদা। ঐসি ঐ ওইনা। খল্লি। ৱাখল খল্লি মা। ৱাখলনেনা অমত্তা শমজিন্নদনা।

নহানি মা পাখঙনি। অয়ূক্লি। পুন্সিগী অয়ূক নীংশিংলকই। পাউচে য়েংই। হেদ লাইন, এদিটোরিএল পাদে। থবক্কী পাউ য়েংই। হিংবদা মরু ওইরিবসি থবক্কী পাউনি। পৈশানি। পৈশানি পৈশা। শৈরেং নত্তে। শ্বর শাংনা হোন্দোক্লগা তপ্না হায়। খোন্থাং য়ৈ। শৈরেং নত্তে। নুপাথোক্লা তীং লাওনা হিংবা ঙমদবা, হৌনা অমুক্তং লাওথোকপা ঙমদবা- মসিগী অফা-অপুনসিনি মানা কন্না ফোয়দৎনীংলিবসি। ফৎ ফোয়দৎলগা শৎ লংথোকখিবা। অসুম তৌবসিবু পুন্সিসিদা ওইথোক্কদ্রা? ওইরোইদবা ৱাখল নৎত্রা সিবু? ঐগী পুন্সিসিবু ঙসিদগী মীৎকুপসিদগী ইনৌ নৌনা হৌবা য়াগদ্রনে? মানা খল্লি। মাঙগী নুংশিবা শম্নদনা তুংগী আশা পক্তনা?

করিগুম্বা খরা চাই থকই। চাবা থকপদা খোয়জংদে। হিংবফাও খোয়জংনা হিংদ্রেদা। তরং অমদা লৈ। অহাঙবা অতিয়াদা য়েংই। য়েংবোই নীংই। উবদি মান্দে। ঈংখ্রবা চাদু চিংই। মমানা মনাক্তা কোয়চৎ চৎলি। করিগুম্বা অমা হায়নীংবা মাল্লি। অদুবু হায়দে। কোক হায়দোক্তে। ইমাসি ঐঙোন্দা কৈনোমা হায়নীংমাল্লে। মসি মানা খঙই। খঙলদি কৈ হায়গে ইমা হায়বা য়াদবরা? মশাদু ইতন তল্লি। ৱা ঙাঙনীংদে। মীনা হায়সু তানীংদে। ইবুংঙো, মমানা কৌই। মচা তাদে। মমাসু মখা তাদে। মচাই মশক মমানা খঙই। কৈগীসু খঙলোই। মাই শুম্বা মতাংসি মমানা খঙই। শামু মথুন্দা পেনা খোংলগা কৈ কান্নে। অসুম্না খন্দোকই। মচানা চা থক্লা থক্লা করিনোমা শাইনা শাইনা ফম্মী। মাই ৱাখলনা হৌগত্তুনা চৎলি। মাই ৱাখলনা...

য়েকপা হৌগৎলগা লোইশিন্দ্রিবা লাই অমগী মনাক্তা ফম্মি। খল্লি। য়েংই। চুরুট মৈখু মম্না কামথোকই। লাইদু লোইশিন্নীংবা মাল্লি। ব্রশ পায়খৎলি। সুম পায়দুনা লৈ। ঙাইহাক লৈ। খন্থদুনা লৈ। করিমত্তা য়েক্লমদনা ব্রশতু অমুক থম্মী। মাই ৱাখলদু...

লাই য়েকপা মশাদুদা অমুক চঙখি। মশাদু নিংঙাইদনা ফমদুনা লৈ। নুংশিৎকী ঈপোমদা লাম্মৈ চাকপগী তাঙ্গোই পাইবা মাই মীৎলমদা উরকই। হৈনীংনা কোইরেং লেঙলিবা, মচাবু পীজ পীথক্লিংলিবা মমাদু মচাই অসুম্বা মতাংসি নৎত্রদি ৱারী মতেক অমত্তং শান্ননীংবনি। মীগা মীগসি ৱারী শাদোক্লদদুনা ইরাপ লাপথোক্লুহল্লে। সুম্বা মতাংসি নৎত্রদি মমানা...

'ইবুংঙো!'

'কৈ হায়গে ইমা!'

'ঙরাংগীদু করি পাউ লৈ?'

'ঙরাংগী হায়দি।'

'হেরা ঙরাং নঙ থবক্কী ইন্টরভিয়ু অমা চৎলুদুদি। মদু কৈদৌরবা।'

'...'

'কৈনো খুমদ্রদি।'

'ইমা ঐ মদু য়াওরুদ্রে।'

'য়াওরুদ্রে হায়দি। কৈনো নঙবু ইন্টরভিয়ু য়াওনি হায়না চৎখিবদাই।'

'চৎলি। মফমদু য়ৌরগা য়াওরমদনা ঐ অদুম হল্লক্লে।'

'করিগীনো হায়বা অদুবু।'

'ঐ খনগদবা মান্দ্রবা।'

'য়াওদি য়াওরুদনা করম্না খনগদবা মান্দ্রিবনো।'

'ইমানা হায়রিদুবুদি চুম্বা। অদুদা।'

'অদু অদা ইমা তানীংদে। ইমাগী ইবুংঙো। অমুনবা হৈফাও হৈখোংদা ময়া কাথোক্তুনা ঙাইরিবগী খয়াত্তা খক তাদে। মথিবোং থন্দে। খুন্দুনা চামথোক্তুনা য়াদা হুকপা চংই। শায়বা চংই। মসিনি পুন্সিগী মহাউ হায়দু। খাগেরা থুমগেরা। মহাউসিননি পুন্সিবু রাশী হাপ্লিবসি। মীবু মখোঙ পালহল্লিবা মমিৎ উহল্লিবা খূৎশেমগী ফজখ্রবা মশকনি। কান্নরোই নুপামচা, য়েকপা হৌগৎলবা লাই লোইশিল্লু। য়ারক্তা ঈশৈ ঙংগনু। ঈশৈ হায়সি শক্তোক্কদবনি। খনাওদগী নত্তে। আ থনুংদগী আ থৱায় ময়োলদগী নশা পূম্বা য়াওনা শক্তোক্কদবনি। থবক্কী ৱাবু ৱা ওইনা তৌরদনা। থবক্কী থবক ঙাক্তনি। মী হাৎপফাও থবকনি।'

মমানা ঈশৈ শকই। থায়নগী নুংশিখ্রবা ঈশৈ শকই। চুম্না ঙংবা নত্তে। ঈশৈ হায়দো শকই।

... মমানা কৈগুম্বা খরা হায়নীংবনি। হায়খিদ্রে। মচাই কৈদাদুদা। হায়রুরগা কৈদৌনগনো। ঙরাং হল্লক্লগা উংদুনা ফমদুনা সুম লৈবদুদৈ খঙবুদি অদুম খঙলবনিদা। থবক্কী ৱাদু কয়া ৱায়োং চারল্লরোই হায়সি অদুম খঙলবনিদা। হংলুদ্রসু য়ারবনি। সুম হংলিবা হায়দুনি। মচাদু হৌগৎতুনা চৎখিবা উরকই।

'কদাইদনো।'

'ঙাহৌ ঙাহৌ সুম থোক্লুগে, ইমা।'

তুরেলদা কাওশিং কোঙ্গোল মরক্তা তাওবদু নীংশিংলকই। ঙাহৌ ঙাহৌ এমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জদা মিং চনলুগে। ঐ মিং চনলুদবা য়াদে। মানা খল্লি। লুহোংবা, য়ূম পানবা, নুংঙাই য়াইফবা পূম্নমক এমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জদা লৈরে। পূম্নমক ত্রেজরিদা লৈরে। সি নৎত্রদি। সি নৎত্রদি। ৱাবনা। ৱাবনা। ৱাবনা খৌরী চরম য়ৌরে।

নুমিদাং পঙথেঙ থেঙদনা ময়ূমদা হঞ্জিল্লকই। চুরুট মৈখু কামথোরকপদা য়ুনম য়াওই। মপান থোক্লুই।

পুর্ণিমা ঙকয়ানি। থাবল ফৈ। অতিয়াদা থা ইরং লংনা উই।

**-কাংজম রাধাকুমার**

**(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক 'আ!! থম্মোয় লকানুংদগী' দগী লৌখৎচবা)**

## ষ্টেটকী পাউ

# তমেংলোংদা মীরেপ ওইখিবা হুরি গোলমৈগী অপুনবা...

*লামায় ১গী মখা...* লোম ওইগদবা সনা টোলা ২গী নেকলেস অমা; চাওরাক্লা লুপা ৬০,০০০ লোম ওইগদবা সনা গ্রাম ১০গী লৈ অমদি চাওরাক্লা লুপা ৩০,০০০ লোম ওইগদবা সনা গ্রাম ৫গী খুদোপ অমা লৈ। মহাক্কী মীংদা লাইসেন্স গন ওইনা .২২ রাইফল অমা .৩২গী পিষ্টোল অমা লৈ। হুরি গোলমৈগী অপুনবা লন-থুমগী শেনফম অসি লুপা ২১,৪৬,৫৬৪ ওইখি। অদুগা মহাক্কী লোয়নবীগী অপুনবা লন-থুমগী শেনফম অসিনা লুপা ১৫,৩৫,০৯৮ ওইখি হায়রি।

হুরি গোলমৈগী মীংদা শঙাইথেলদা একর ৫.০০; একর ২.৫০ অমদি তাউবম তাইতেকদা অন সর্ভে হিল্স লেন্দ ওইনা একর ২৫০ লোম পাকচাওবা এগ্রিকলচরেল লেন্দশিং লৈ। লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদা খাবমদা একর ০.২০০০ লোম পাকচাওবা এগ্রিকচলরেল লেন্দ লৈ। মহাক্কী মীংদা নন-এগ্রিকলচরেল লেন্দদা কবো লৈকায়দা স্কৱার ফিট ২৫৭০ অমদি মৈতৈ লাঙ্গোলদা স্কৱার ফিট ৫৮৮১ লোম পাকচাওবা লমশিং লৈ। লোয়ননা মহাক্কী মীংদা দিমাপুর টাউনদা স্কৱার ফিট ৩৯৬১ অমদি স্কৱার ফিট ৩৯৬১ লোম পাকচাওবা লমদা কর্ম্মসিএল বিল্ডিং অনী লৈ। লোয়ননা মহাক্কী মীংদা কবো লৈকায়দা স্কৱার ফিট ২৩০৯; দেল্লিদা স্কৱার ফিট ৮৭৩ অমদি লোংমাই নোনেদা স্কৱার ফিট ২২০০ লোম পাকচাওবা লমদা রেসিদেন্সিএল বিল্ডিংশিং লৈ। মহাক্কী টোটেল ওফ করেন্ট মার্কেট ভেল্যু অসি লুপা ৩,৭০,০০,০০০ ওইখি। লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবীগী টোটেল ওফ করেন্ট মার্কেট ভেল্যু অসিনা লুপা ৫,০০,০০০ ওইখি। মহাক্কী গ্রান্দ টোটেল ওফ লাইএবিলিটিজনা লুপা ১৩,১৫,৬৬৭ ওইখি। মহাক্কী মীংদা পেন্দিং ক্রিমিনেল কেস অমত্তা লৈতে। কুমজা ২০২-২১গী লাষ্ট ইনকম টেক্স রিটর্ন ফাইলগী রিপোর্টকী মতুংইন্না মহাক্কী টোটেল ইনকম অসি লুপা ১,৪৫,৬০০ ওইখি হায়রি।

# জষ্টিস এস কে কোলবু নালসাগী এগজিক্যুটিভ...

*লামায় ১গী মখা...*পনবা য়াবদি, নালসাগী এগজিক্যুটিভ চ্যেরমেনগী ফম অসি চৎনরকপগী মতুংইন্না সুপ্রিম কোর্টকী অনীশুবা সিনিয়র জজনা পুদুনা লাকখিবনি। অদুগা জষ্টিস অসিবু এগজিক্যুটিভ চ্যেরমেন হাপত্রিঙৈদনা ফম অসি হৌজিক্লা লৈবাক অসিগী চীফ জষ্টিস ওইরবা জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুদনা ওইরমখিবনি।

লোয়ননা লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি এক্ট, ১৯৮৭কী মতুংইন্না লৈবাক অসিগী চীফ জষ্টিসনা নেসনল লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (নালসা) গী পেট্রোন ইন চীফ ওইগদবনি। অদুগা মথৌ পাঙথোক্লিবা নৎত্রগা পোত্থারবা সুপ্রিম কোর্টকী জজ অমবু লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা চীফ জষ্টিসকা খন্নরবা মতুংদা নালসাগী এগজিক্যুটিভ চেয়রমেন ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীবগী থবক চংদুনা লাকখিবনি।

## নন মণিপুরী মানবা ...

*লামায় ১গী মখা...* তৌনবগীদমক রিমসকী মোর্গতা থমখ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক থা অসিগী ২৮ ফাওবগী মনুংদা কনাগুম্বনা হকচাং অসিবু ক্লেম তৌরদ্রবদি লোগী মতুংইন্না দিস্পোজ তৌখ্রগনি হায়রি। লৈখিদ্রবা মীওই অসি চহী ৫৫দগী ৬০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইনি। ফুট ৫গা মখায় রোম ৱাংই, কুচু মুই, মমাই কোইদানৈ অমসুং মশা পায়, মহাক গ্রে মচুগী খোঙগ্রাও অশাংবী অমা, মেরুন মচুগী হাফ শর্ট অমা, অশংবা মচুগী চপল অমা অমসুং গ্রীন মচুগী অন্দরৱায়র অমা শেৎ-চারশী হায়রি।



HL-8/7906/20/11-19/12